# লিন্থোই অমসুং রেবিনানা ওসিনিয়া জুনিয়র জুদোদা মেদল ফংলক্লে




বৈরুট, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): লেবাননগী কোনুং বৈরুটতা পাঙথোকপা ওসিনিয়া জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবী মণিপুরগী জুদোকা লিন্থোই চনম্বম অমসুং চনম রেবিনানা সিলভর মেদল অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংদুনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপদা নৎতনা জুদো মশান্নগী ওইনসু ফজবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল থানা মনিং লৈকাইদগী চনম্বম ইবোহল অমদি চনম্বম ওংবী গুনেশ্বরীগী মচানুপী লিন্থোই চনম্বমনা থা অসিগী ২ অমসুং ৫দা পাঙথোকপা ওসিনিয়া জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২১ অদুগী ফাইনেলদা উজবেকিস্টানগী আম ইনোভাগা কিলোগ্রাম ৫৭কী ফাইনেল লম্বা তৌনবদা মায়থীহৌবদগী সিলভর মেদল ফংহৌবনি। অদুগা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক অৱাং লৈকাইদগী চনম সঞ্জয় অমসুং চনম ওংবী ইবেমচাগী মচানুপী চনম রেবিনানা কজাখস্তানগী জুমালিভাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাক্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মখোয় অনীনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎলকপা অদুদা জুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী থাগৎলক্লি।

# ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রেকোর্দ থমদুনা রন ৩৭২দা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ পোজিসনদা লৈখ্রে

মুম্বাই, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দনা শান্নবা ক্রিকেট সেরিজকী মনুং চনবা টেষ্ট মেটচ অনীগী অরোইবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ঙসি ইন্দিয়ানা মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা য়াম্না চাওনা রন ৩৭২দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা অতোপ্পা মীরমদগী লাকপা টিমশিংগা শান্নবা হোম সেরিজদা খ্বাইদগী ফজবা মওংদা মায় পাকপগী রেকোর্দ অদু থমখিবগা লোয়ননা সেরিজ মায় পাকখ্রে।

মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা নুমীৎ ৫নি শান্নগদবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ৩৭২দা মায়থীবা পীখিবনি। পনবা য়াবদি, মমাংদা কানপুরদা লৈবা গ্রীন পার্ক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়ানা থোইবা য়াবগী ফীভমদা লৈরম্লবসু ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেনশিংনা খাঙবা কনখিবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখি। মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখিবনি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বেটসমেন ১০ আউট ওইরগা রন ৩২৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱালনা রন ১৫০ লৌখিবা লোয়ননা অঝর পটেলদা রন ৫২ অমদি ওপনর সুবমান গিলনা রন ৪৪ লৌখিবা অদু পনবা য়াখি। ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসকী পাউখুমদা শান্নরকপা মখোয়গী ইন্নিংস অদু শুপ্পগী রন ৬২ লৌরগা বেটসমেন ১০ মক আউট ওইখি। মদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা বেটসমেন ৭ আউট তারগা রন ২৭৬ লৌরগা ইন্নিংস অদু দিক্লেয়র তৌখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱালনা অমুক্কা ফজবা ঙমদুনা রন ৬২ লৌখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটসমেন অদুদি রন ৪৭/৪৭ লৌখিবা চিটেশ্বর পুজারা অমসুং সুবমান গিল লোয়ননা আউট ওইদনা লৈখিবা রন ৪১ লৌখিবা অঝর পটেল অমসুং কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগী রন ৩৬কী পর্ফোর্মেন্স অদুনি।

ন্যু জিলেন্দনা মেটচ অদু মায় পাক্নবা শান্নরকপদা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ঙরাংদগী হৌরগা ঙসি ৪নি শুবা নুমীৎ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৬৭ লৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুগী রন ৩২৫ অমসুং অনীশুবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রন ২৭৬ অদু থারগা পূন্না রন ৬০১ লৈখিবনি। মরক অদুদা ন্যু জিলেন্দগী অনীশুবা ইন্নিংসতা য়াম্না শোৎখিবা স্কোর ওইখিবা রন ৬২ অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংস ঙন্না দিক্লেয়র তৌখিবা অদুনা মেটচ অদু মায় পাক্নবা ন্যু জিলেন্দনা রন ৫৪০ লৌবগী টার্গেট লৈখি। মদুগীদমক্তা ন্যু জিলেন্দনা অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা অহানবা টেষ্ট মেটচতা মায় পাকপা ঙমদ্রবসু দ্রো চৎননবা শান্নবা ঙমখিবা অদুগুম্না ঙসি ৪নিশুবা নুমীৎতা শান্নরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা খূদুম চনশিল্লকপদগী কান্নবা ফংদনা বেটসমেন ১০ আউট ওইরগা রন ১৬৭তা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৩৭২দা থোইদুনা মালেমগী ওইনা টেষ্ট ক্রিকেটকী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱানদা হাইগৎপা ঙমখি।



# আর এ সী কে, টি আর ৱাই অমসুং এম ৱাই এস দি ও (এ) মায় পাকখ্রে

কক্চীং, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): মৈপৌ সোক্কর য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী খূথাংদা পাঙথোকপা ১৯শুবা সভেন এ-সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা আর এ সী কে, টি আর ৱাই অমসুং এম ৱাই এস দি ও (এ) মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মিনট ২৫/২৫গী ওইবা হাফ অনীগী ফোর্মেটতা শান্নবা ১৯শুবা সভেন এ-সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেটচ অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেটচতা আর এ সী কে অমসুং পেনাচীং এফ সী লম্বা তৌনখি। হায়রিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতম কুইদ্রিঙৈ ২৮শুবা মিনটতা আর এ সী কেগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১২ রতননা পাঞ্জল ১ চল্লগা পেনাচীং এফ সীবু ১-০দা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা মতমশিং অদুদা পাঞ্জল শোৎখিবা পেনাচীং এফ সীগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু ইক্লোলাইজর ফংদনা মায়থীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা টি আর ৱাই (থমলাই) অমসুং পেরিস এফ সী লম্বা তৌনবদা টি আর ৱাইনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা টি আর ৱাই (থমলাই)গী জর্সি নম্বর ১২ টি অমোসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পঞ্জল অদুনা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা টি আর ৱাইগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৬ মোশিলনা ২৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা মখোয়না পেরিস এফ সীবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা মেটচকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা পেরিস এফ সীগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দোক্নবগী খূদোংচাবা ফংখিদবদগী ০-২দা মায়থীখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেটচতা এম ৱাই এস দি ও (এ)না য়ু এন এ পি এ এল এফ সীবু ১-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই ৪৯ শুবা মিনটতা এম এস ৱাই দি ও (এ)গী জর্সি নম্বর ১০ দি মোরান্ট্রিয়মনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

# এষ্টন ভিল্লানা লেষ্টর সিটিবু ২-১দা থোইবদগী ১০শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে, মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মাঙজিল থারি



লন্দন, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এষ্টন ভিল্লানা লেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ১০শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

এষ্টন ভিল্লা ফুটবোল ক্লবকী ওইনা মমাংদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ওইরম্লবা ষ্টেভন জেরাদনা নৌনা কোচ ওইদুনা টিম অসিবু অনৌবা পাঙ্গল পীননবা হোৎনরকপা অদুগী মনুং চন্না ঙরাং মায় পাকখিবা অদুনা অচৌবা কান্নবা পীবা ঙমখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা ১৪শুবা মিনটতা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পি দাকানা ইন্থোরকপা বোল অমদা টিমমেট ঐচ বর্নসনা পাঞ্জল চন্দুনা এষ্টন ভিল্লাবু মখোয়না ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী ঈ কোন্সানা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা টিমমেট ঈ বুন্দিয়ানা পীরকপা বোল অমদা ইক্লোলাইজর অদু চন্দুনা অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ৯শুবা মিনটতা এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী ইক্লোলাইজর চনখিবা কোন্সানা টিমমেট মেগিনগী বোলদা পাঞ্জল ১ চল্লগা লেষ্টর সিটিবু মাঙজিল থাখিবা অদুনা মেটচ অদুগী অরোইবা পাঞ্জল ওইরগা মায় পাকখি।

লীগ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা খৃষ্টল পেলেসপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৭৭শুবা মিনটতা ফ্রেদনা মহাক্কী শান্নমিন্নরোয় গ্রিনৱুদকী মায়কৈদগী পীরকপা বোলদা চনখিবনি। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মেটচ ১৫ শান্নবদা পোইন্ট ২৪ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ১৫ শান্নবদা পোইন্ট ৩৫ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। লিভরপুল অমসুং চেলসিনা ২শুবা অমসুং ৩শুবদা লৈবা ঙম্লি।

# য়ুভেন্টসনা জেনৱা মায়থীবা পীদুনা থাক ৩ হাইগৎপা ঙমদুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলগী ৫শুবদা লৈবা ঙমখ্রে



রোম, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ইটালিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ঙরাং শান্নখিবা ১৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাংদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লবনা জেনৱাবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবল অসিদা হান্না লৈরম্বা থাক্তগী ৩ হাইগৎলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী জে ক্বাদ্রাদোনা পাঞ্জল ১ চল্লগা জেনৱাবু মখোয়না মাঙজিল থারগা লৈখি। হায়রিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবদা অদুম্মক লেংদনা লৈখিবদগী জেনৱা ০-১দা শোৎথরগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক জেনৱাগী শান্নরোয়শিংনা ইক্লোলাইজর ফংননবা মখোয়গী মায়কৈদগী অফংবা খূদোংচাবশিং অদু পুশিন্দুনা হোৎনরকখিবা অদু য়ুভেন্টসকী শান্নরোয়শিংনা এটেক মপুং ফাহনখিদবদগী ইক্লোলাইজর লৈখিদে। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৮দা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী বর্নারদেস্কিনা পীরকপা বোলদা পি দিবালানা পাঞ্জল ১গা চল্লগা জেনৱাবু য়ুভেন্টসনা ২-০দা হেন্দুনা মেটচ অদু লোইশিনখিবদগী য়ুভেন্টস মেটচ ১৬ শান্নবদা পোইন্ট ২৭ ফংলগা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা এ সী মিলাননা মেটচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা পূন্না মেটচ ১৬ শান্নবদা ১২ মায় পাক্লগা মেটচ ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ইন্টর অমসুং নাপোলিনা মতুং ইন্নরি।

# জমশেদপুরনা এ টি কে মোহন বগানবু ২-১দা থোইদুনা ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে

বম্বোলিম, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): জমশেদপুর এফ সীনা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২০শুবা মেটচতা মমাংদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা এ টি কে মোহন বগানবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু গোৱাগী বম্বোলিম সিটিদা লৈবা এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। মমাংদা জমশেদপুর এফ সীনা মখোয়গী অপূনবা মেটচ ৩ শান্নবা লোইশিল্লকপদা মেটচ ১ থোইরগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা এ টি কে মোহন বগান মখোয়গী মেটচ ৩ লোইশিল্লকপদা ২ মায় পাক্লগা মেটচ ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু জমশেদপুর এফ সীদা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় সৈমিনলেন দোঙেলনা শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা এ টি কে মোহন বগানবু ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমদুনা অহানবা হাফ অদু মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা লোইশিনখি। এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা চথদুনা ইক্লোলাইজর ফংননবা হোৎনরকখিবা মশান্নশিং অদু জমশেদপুরগী শান্নরোয়শিংনা মতাং মতম চানা ঙাকথোক্তুনা লৈবা ঙমখিবদগী কান্নবা ফংখিদে। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৬তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা জমশেদপুরগী মায়কৈদগী এলেক্সনা ৮৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপগী লম্বেলদা নকশিনহনবা ঙমখি। এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী প্রিতম কোটলনা ৮৮শুবা মিনটতা শোৎখিবা পাঞ্জল অদুগী মনুংদা ১ হন্দোক্লগা ইক্লোলাইজর ফংননবা অমুক্কা হেন্না শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী প্রেসর পীশিল্লকপা অদু জমশেদপুরনা নীংথিনা মায়োক্লদুনা এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী মেটচ অদুদা পোইন্ট ১ ফংনবগী খূদোংচাবা অদু পীদনা জমশেদপুর এফ সীনা ২-১দা থোইরগা ঙসিগী মেটচ অদু লোইশিনখি। হিরো আই এস এলগী ওইনা মমাংগী চেম্পিয়ন মুম্বাই সিটিনা মকোক্তা লৈরিবা জমশেদপুরনা ২শুবদা হাইগৎখি।

# ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমনা লুপা লিশিং ৩৫ দোনেট তৌখ্রে

মুম্বাই, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ন্যু জিলেন্দগা শান্নবদা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ রন ৩৭২দা ঙসি মায় পাকপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা মুম্বাইদা লৈবা শান্নফম ওইখিবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মগী গ্রাউন্দসমেনশিং অদুদা মেটচ অদুগী মরিনি শুবা নুমীৎ ফাওবা য়াম্না চেকশিন্না গ্রাউন্দ অদুবু শেম শাখিবগীদমক্তা মতেং ওইননবা লুপা লিশিং ৩৫ দোনেট তৌখ্রে।

মতেং পীখিবা অদু গ্রাউন্দসমেনশিং অদুনা ফিল্ড অদু খক্তা নৎতনা পিটচ অদুবু য়াম্না চেকশিন্না শেম শাখিবা অদুনা শান্নবদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মীচং মীখায় নাইদবা মওংদা কম্পিটিসন ৱাংনা লৈহনখিবগীদমক ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অদুগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা পীখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ন্যু জিলেন্দ অমসুং ইন্দিয়াগা শান্নখিবা কানপুরগী গ্রীন পার্ককী অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মঙানি শুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনবা ফাওবদা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা দ্রো চৎখ্রবা মতুং ঙসি ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নবদা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুনা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেনশিং অদুবু মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু য়াম্না হেনবা মওংদা শুপ্পগী রন ৬২দা ওল আউট তাহনখিবা অদুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা চাওনা মতেং পাংখিবনি।

ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিং অদুনসু ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংবু কয়ারক হন্না খূদুম চনবা ঙমখি। পনবা য়াই, কানপুরগী গ্রীন পার্ক ক্রিকেট ষ্টেদিয়মগী গ্রাউন্দ ষ্টাফশিং অদুদসু ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ রাহুল দ্রাভিদনা লুচিংদুনা অফবা পিটচ অমা শেমখিবগীদমক লুপা লিশিং ৩৫গী মতেং পীখি। ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মগী গ্রাউন্দসমেনশিং অদুসু গ্রীন পার্ককী অদুগুম্না থাগৎলকখিবনি।

# জপাননা চাইনাবু মায়থীবা পীখ্রে, সাউথ কোরিয়ানা থাইলেন্দ থোইবা ঙমখ্রে

DONGHAE
WOMENS ASIAN CHAMPIONS
TROPHY 2021

দোংহে, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়ানা য়ূম্থু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি দোংহেদা ঙরাংদগী হৌখিবা ৱিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী ৫শুবা মেটচতা জপাননা চাইনাবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে। অদুগা মমাংগী চেম্পিয়ন অমদি য়ূম্থু লৈবাক সাউথ কোরিয়ানা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

জপান অমসুং চাইনানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদা চাইনানা খূদুম চনবা ঙমদুনা অহানবা ক্বার্টরদা জপানগী মায়োক্তা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। হায়রিবা পাঞ্জলশিং অদু পেনাল্টি কোর্নরদা চনখিবা ঙাক্তনি। চাইনাগী মায়কৈদগী জুর্সি নম্বর ৭ নিং মানা শান্নবগী ২শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং জর্সি নম্বর ৬ য়িং ঝাংনা ৪শুবা মিনটতা টিমগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ক্বার্টর অদু লোইশিনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা জপানগী মায়কৈদগী কানন মোরিনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদা পাঞ্জল অমা ২৮শুবা মিনটতা চন্দুনা অহানবা হাফ অদু মখোয় ১-২দা শোৎথরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা অদুগা মেটচকী ওইনা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী মিনট ১৫ শান্নবদা টিম অনীমক মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি। শান্নবগী অরোইবা অমদি ৪শুবা ক্বার্টরদা জপানগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী ৫৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় কানা উরাতানা পেনাল্টি কোর্নর অমদগী ইক্লোলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং টিম অদুমক্কী শান্নরোয় অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কানন মোরিনা ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না চাইনাবু ৩-২দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ূম্থু সাউথ কোরিয়ানা থাইলেন্দবু ৩-০দা থোইখি। সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ৪শুবা মিনটতা ইসেল বেকনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা টিমমেট জিয়ুন কিমনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মেটচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী জিয়োং কিমনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা ৩৬শুবা মিনট অদুদা মখোয়না থাইলেন্দবু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখিবা অদুনা মায় পাকপা ওইখি।


# লিওন অমসুং বোর্দিও পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে



পেরিস, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ফ্রান্সতা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিওন অমসুং বোর্দিও পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

বোর্দিওগী টিম মমাংগী রাউন্দ ১৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ১৮শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অদুগা লিওনগী টিমনা মেটচ ১৫ শান্নবা লোইশিনবদা পোইন্ট ২২ ফংলগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখি। ঙরাংগী মেটচ অদুদা লিওনগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা জে দেনায়রনা মহাক্কী টিমমেট সক্কারিনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল ১ চল্লগা বোর্দিওবু মখোয়না মাঙজিল থাখি। অদুবু শান্নবগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৯ ৱাৎলিঙৈদা বোর্দিওনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা লিওনগী দিফেন্দর এম গুষ্টোনা শোয়বদগী থকচিঞ্জখিবা বোলনা বোর্দিওগী ইক্লোলাইজর অদু ওইহনখি। হাফ অদু লোইগদবা শুপ্পগী মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা লিওনগী মায়কৈদগী পাকিটানা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা টিমমেট টি মেন্দেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা হাফ অদু ২-১দা মখোয়না হেল্লগা লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী ১৩শুবা মিনটতা বোর্দিওগী মায়কৈদগী য়ু হ্বাংনা পীরকপা বোলদা এ ইলিশনা ৫৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু ২-২দা লৈনখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী দ্রো চৎখি। লীগ অসিগী ওইনা পি এস জিনা মেটচ ১৭তা পোইন্ট ৪২ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 311**

**GM Nepomniachtchi, Ian (2792) - GM Aronian, Levon (2781)**
**FTX Crypto Cup Prelim chess24.com INT, 2021.05.24**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bc4 Nf6 | 4.d3 Bc5 | 5.Nc3 a6 |
| 6.Bg5 h6 | 7.Bxf6 Qxf6 | 8.Nd5 Qd8 | 9.c3 d6 | 10.d4 exd4 |
| 11.cxd4 Ba7 | 12.h3 Ne7 | 13.Ne3 b5 | 14.Bd3 c5 | 15.a4 cxd4 |
| 16.Nf5 Nxf5 | 17.exf5 O-O | 18.O-O bxa4 | 19.Rxa4 a5 | 20.b4 Bb6 |
| 21.bxa5 Rxa5 | 22.Rxa5 Bxa5 | 23.Nxd4 Bb7 | 24.Qb3 Ba8 | 25.Bc4 Qf6 |
| 26.Rd1 Rc8 | 27.Bd5 Bxd5 | 28.Qxd5... | | |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 310 Ans. :**
37. Qe4 Rxb2+ The black rook decoys White's king. 38. Kxb2 d3+ With a discovered check by the black bishop. The black pawn attacks White's rook, which is defending square c2. 39. Kc1 Qc5+ 40. Kd2 Qc2+ The black queen forks White's rook and king. 41. Ke1 Bh4+ The black bishop attacks White's king, which is defending White's rook. 42. Kf1 Qxd1+ 43. Re1 Qxe1+ 44. Qxe1 Bxe1
37. ...Rxb2+ 38. Kxb2 d3+ 39. Kc1 Qc5+ 40. Kd2 Qc2+
41. Ke1 Bh4+
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com